# ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টদা লিঙ্গোইঙানবী কাঙজে লূপ অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা নুপীগী টিম ৪ অমসুং নুপামচাগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৫ শুবা ষ্টেট ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্ট অমসুং জুনিয়রগী অহুমশুবা ষ্টেট জুনিয়র বোইজ (য়ু-১৬) পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা ৱুমেন'স কী মেটচশিংদা লিঙ্গোইঙানবী কাঙজৈ লুপ উরিপোক অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপাল মায় পাকখ্রে।

১৫ শুবা ৱুমেন'স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি লিঙ্গোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক্না শান্নখিবা মেটচতা লিঙ্গোইঙানবী কাঙজৈ লূপনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু য়াম লাকচন্না পাঞ্জল ১৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

লিঙ্গোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক্কী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ২, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৪, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩ অমদি অরোয়বা মরীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৪ চনখি। অহানবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এল থাদোইনা মিনিট ৬.১০ অমসুং জর্সি নম্বর ৫ ও অশালক্কিনা মিনিট ৬.৫৯ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ কেঐচ দিবেন্তিনা মিনিট ২.২০, ৬.৫৪ দা পাঞ্জল ২ অতোপ্পা পাঞ্জল ২ অদুনা এল থাদোইনা মিনিট ৪.২১ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ কেঐচ হাবেনা মিনিট ৫.২৪ দা চনখি।

অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা কেঐচ হাবেনা মিনিট ৪.১০ অমসুং জর্সি নম্বর ২ সঙ্গিতানা মিনিট ৫.১০ অমসুং ৬.০১ চৎপদা চনখি। অরোয়বা মরীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা সঙ্গিতানা মিনিট ০.৫৭, ৩.৩০ দা পাঞ্জল ২ অমসুং এল থাদোইনা মিনিট ১.৩৮ অমসুং ৪.৪০ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল অতাংবা অমসুং জেকোপনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

নুপীগী মরীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লব অমদি চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপালনা শান্নখিবা মেটচতা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ অদুগা অহুমশুবা অমসুং অরোয়বা মরীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২। ২ চনখি। মায়থিরবা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১ অমসুং অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ চনখি।

চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লবকী অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ তানানা মিনিট ২.১১ চৎপদা চনখি। অহুমশুবা চক্করগী পাঞ্জল ২ অদুসু টিঐচ তানানা মিনিট ৪.৫০, ৬.৩০ দা চনখি। অরোয়বা মরীশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ নিলু আর কেনা মিনিট ২.২৭ দা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ আই সঙ্গিতানা মিনিট ৬.০০ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবকী অহানবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৪ ওইনাম ইলিজাবেদনা মিনিট ১.২৯ দা অদুগা অনীশুবা চক্করগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ ভিক্টোরিয়া ওইনামনা মিনিট ০.৬০ অমসুং ওইনাম ইলিজাবেদনা মিনিট ৬.৪০ চৎপদা চনখি।

মথংগী মেটচ থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ১ তাবদগী চিঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব কোংপাল অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি অদুগা লিঙ্গোইঙানবী কাঙজৈ লূপ উরিপোক অমদি থাংমৈবন্দ য়ুঠ পোলো ক্লবনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

## বিক্কি ফাইনেলগী লম্বা ঙাইখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এম এ টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস লবর (এ টি এল)না শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী সি ৱাই এল সিগী চিঙামথক্কী টেন্নিস কোর্টতা চথরিবা ৯ শুবা সি ৱাই এল সি ষ্টেট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ ঙসি শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা এস বিক্কিনা এন প্রেমজিৎপু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ৪৫ মথক দবালসকী শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা দিল্লিপ অমদি ইবোলগী জুরানা রোমিও অমদি প্রদিপকী জুরাবু ৯-২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## ৱাই আই সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ রাইজিং নোলেজ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা টিম ১৭ না গ্রুপ ৪ থোক্না খার্য়দোক্কুনা খুয়াথোংদা চথরিবা ৫ শুবা ইমা মনিশঙ নীংশিং ষ্টেট লেভেল ৪-এ সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই আই সিনা ঐচ এফ এবু ১২-০ দা অমসুং ওল এফ সি (বি)না এন ৱাই কেবু ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## ৱাই সি জি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ চাজিং ইনাৎ কনবা লূপ (চিকল) লিল্লোং চাজিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্কুনা চাজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩১ শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই সি জি সিনা এম সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমদি খুরাই এফ সি ফাইনেলদা লম্বা তৌন্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ পুংদোংবম য়ুঠ ফিজিকেল ক্লব (পি ৱাই সি) পুংদোংবমনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্কুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পিদোইনু ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ফাইনেলদা কে ৱাই পি এ কোইরেঙ্গৈ অমদি খুরাই এফ সিনা থা অসিগী ১২ কী নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবম অমদি খুরাই এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা খুরাই এফ সিনা পি ৱাই পি সিবু কিক ফোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৯-৮ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ৭ লাঙম্বনা মিনিট ৯, ১৩ চৎপদা গোল ২ চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখ্রবসু গোল শোথরিবা খুরাই এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৬ আরবিননা মিনিট ১৭ অমসুং জর্সি নম্বর ৭ অসলমনা মিনিট ৩০ চৎপদা গোল হনে দাক্কুনা অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা গোল মান্না লৈবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌন্নবা কিক ফোম পেনাল্টি মাক কাওন্নবা তাখি।

পেনালটি কাওন্নবদা খুরাই এফ সিগী সজাদ, আরবিন, রোহেন, আসলম, অলবক, তারিফ অমসুং দেবসননা গোলদা ওন্থোক্কুনা পূন্না গোল ৭ হাপচিনখি অদুগা পি ৱাই পি সি (এ) পুংদোংবমগীনা ঙৌবা, তেলহৈবা, মহেস, ভিম, রাশিথোই অমদি লালঙম্বনা পুন্না গোল ৬ খক হাপচিনবা ঙমখিবনা মেটচ অসি খুরাই এফ সিনা গোল ৯-৮ দা মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা কে ৱাই পি এ কোইরেঙ্গৈনা আর এফ এ তোপ সিফাইবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রবনি।

# ষ্টেটকী পৱারলিফটিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া পৱার লিফটিং ফেদেরেসনগী মীৎয়েং মখাদা জরখন্দ পৱারলিফটিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ১২ ফাওবা জরখন্দগী বোকারো ষ্টিল সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন সেনিয়ার মেন এন্দ ৱুমেন পৱার লিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০ দা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর পৱার লিফটিং এসোসিয়েসনগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপাগীদা কে জি ৫৯ গী কাঙলূপ্তা থোকচোম মলেমঙানবা অমদি অমাকচম বিরনজিৎনি।

নুপীগী কে জি ৪৭ গী কাঙলূপ্তা পি বি বি পি টি সিকী এলাংবম দিলুনি।

কে জি ৫৭ গী কাঙলূপ্তা পি বি বি পি টি সিকী সনাসম চাওবা দেবী অমদি য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব কান্টোগী এন জি তোম্বী দেবীনি।

কে জি ৬৩ গী কাঙলূপ্তা পি বি বি পি টি সিকী কোন্থৌজম থোইবী দেবী অমদি য়ু এফ এল সি লম্বোই খোঙনাংখোঙদগী ময়েংবম ইবেমচা দেবীনি।

কে জি ৭২ গী কাঙলূপ্তা নাওরেমথোংগী সি ঐচ মরজুনা দেবী অমদি পি বি বি পি টি সিকী এলাংবম জেসিকা দেবীনি।

কে জি ৮৪ গী কাঙলূপ্তা পি বি বি পি টি সি পি দিনেশ্বরি দেবী অমদি এন মিরাবাই দেবীনি।

ষ্টেটকী টিম অসি নাওরেম সুসিলা দেবী, কোনসম রোসিদা দেবী অমদি এন সুনিতানা টিম ওফিসিয়েল ওইনা লুচিংগনি।

# এল সি এল লাইফ্রাকপম অমদি বি এস এ ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুননা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সাইনিং ষ্টার দিভলমেন্ট এসোসিয়েসন বেঙ্গুননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১১ না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়াদোক্কুনা বেঙ্গুন মখা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ গী ফাইনেলদা এল সি এল লাইফ্রাকপম অমদি বি এস এ বেঙ্গুননা থা অসিগী ১২ তা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি এল সি এ লাইফ্রাকপম অমদি এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনা শান্নখিবদা এল সি এলনা এম আই কে ঐচ ৱাই এবু সেট ৩-১ (২৩-২৫, ২৬-২৪, ২৫-১৪, ২৫-২১) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা বি এস এ বেঙ্গুননা এম এস দব্লিউ সি মাইবমবু সেট ৩-২ (২০-২৫, ২৫-১৩, ২৫-২০, ২২-২৫, ১৫-১৮) দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

থার্দ প্লেসকীদমক এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফাল অমদি এম এস দনব্লিউ সি মাইবমনা শন্নগদবদা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনা ৱাক ওভর ফঙদুনা ট্রোফি লৌখে।

# দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম সেমি চঙখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ নুঙব্রাং ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ-৪ থোক্না খায়দোক্কুনা নুঙব্রং প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এন এফ সি (এ) নুঙব্রম অমদি দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা এন এম সি (এ) নুঙব্রম অমদি এফ এফ সি সি অঙথানা শন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এন এফ সি (এ)না এফ এফ সি সিবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এন এফ সি(এ) নুঙব্রমগী গোলশিং অদু বেনজেনসননা মিনিট ১৯, ২৯ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা বঙ্কিমনা মিনিট ৩৭ দা চনখি। মায়থিরবা এফ এফ সি সি অঙথাগী গোলশিং অদুনা ইরশিটনা মিনিট ২৫ অমসুং তারজুনা মিনিট ৩৮ চৎপদা চনখি।

২০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম অমদি দি এম দোট টুলিহলনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা দব্লিউ ৱাই সি দি এম দোটবু কিক ফোম পেনালটি মাকতা গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

হয়েংগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এন কে জে সি কৈথেলমানবী অমদি চঙমদবী এফ সিনা নুংথিল পুং ১ তাবদা অদুগা এন এফ সি (বি) অমদি ঐচ ই এস য়ু হৈত্রোইপোকীনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা শান্নগনি।

# জিম্নাষ্টিক্স ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২৯ দগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৫ শুবা জুনিয়র আর্ষ্টিটিক জিম্নাষ্টিক্স নেস্নেল চেম্পির্য়ন্সিপ (এম এ জি এন্দ দব্লিউ এ জি), বাকু (এ জি ই) দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯ শুবা এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ৱার্ল্ড এজ গ্রুপ কম্পিটিসন অমসুং ১৬ শুবা এফ আই জি এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়নন্সিপকীদমক ষ্টেটকী টিম শেম্নবগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১২ কী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরম অদুনা শরুক য়ানিংবা জিম্নাষ্টশিংনা টেক্নিকেল কম্মিটিগী চীয়ারমেন এল টিকেনদা ট্রাইয়েল নুমিৎকী পুঙফমদা রিপোর্ট তৌরন্নবা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৱাঙ্গোই এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ হয়েল য়ঙ পোপুল্লর ক্লব (ঐচ ৱাই পি সি) হয়েলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্কুনা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সবেন এ-সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ট্রোফি গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কলিকা এফ সি অমদি এন সি পি ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদনা ৱাঙ্গোই এফ সি, ৱাই এম সি অমদি শ্যাম এফ সি মায় পাকখ্রে।

# বোর্দর এরিয়া স্পোর্টিং এসোসিয়েসনগী ৱিন্টর স্পোর্টস মীট কম নাইট হৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ বোদর এরিয়া স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (বি এ এস এ) খেঙজয় ব্লোক, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা নেহরু য়ুবা কেন্দ্র চান্দেলগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকপা বি এ এস এ ৱিন্টর স্পোর্টস মীট ২০০ অমসুং বি এ এস এ নাইট ঙসিদগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খেঙজয় সব- দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা মোলচম ভিলেজদা য়ুঠ এফিয়ার এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱাটর রিসোর্চ মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১২ ফাওবা চথগদবা স্পোর্টস মীট হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চীফ গেষ্ট, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বর সৈথাং হাওকিপনা প্রসিদেন্ট, মোলচাম ভিলেজগী চীফ টিটি হাওকিপনা হোষ্ট, দি এফ এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এ দি সি চান্দেলকী মেম্বর ঙমলাল বাইটেন, এ দি সি চান্দেলকী মেম্বর চিননৈভাহ হাওকিপ, এস দি ও। এস দি এম খেঙজয় শোখোঙম বাইটেনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

বি এ এস এ নাইট হৌদোকপগী থৌরমদনা চেনখোপি ভিলেজগী চীফ টি খোঙশাইনা চীফ গেষ্ট, মোরেদগী সোসিয়েল ৱাকর জে খোঙসাইনা প্রসিদেন্ট, বি এ এস এগী এডভাইজর শিং হেলুন হাওকিপ, টিটি হাওকিপ, লামখোলুন হঙহালনা হোষ্ট, এল এ জি এস এগী প্রসিদেন্ট চিনখানঙা জৌ, নাবিল ভিলেজগী চীফ জাঙথাঙ মাটে, কে এফ এগী প্রসিদেন্ট মাঙলাইনথাঙনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদনা এ দি সি চান্দেলগী চীয়ারমেন দি রিঙো লামখাঙনা চীফ গেষ্ট, ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্য কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বর সৈথাঙ হাওকিপনা প্রসিদেন্ট, বি এ এস এগী এদভাইজর শিং হেলুন মথিউ মরিং, ঙমথাং মাটে, এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর লিমজাঙ হাওকিপ, কে সি এগী প্রসিদেন্ট সোখোমাঙ হাওকিপ, সোসিয়েল ৱাকর জাঙপাও হাওকিপ অমসুং স্পিসিয়েল কন্ট্রেক্টর পাওখোজিন হাওকিপনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইগনি হায়রি।

# তরুকশুবা ইমোইনু ট্রোফি হৌখ্রে, ৱাই এস দব্লিউ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০৯ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ পেরাদাইস ক্লব গোলতাবি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না শীন্দুনা ঙসিদগী য়াইঙপোকপী প্লে-গ্রাউন্দা টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্না শরুক য়াদুনা ৬ শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন'স সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ-এগী ৱাই পি এফ য়াইঙপোকপী অমদি ৱাই এস দব্লিউ সি শাবুংখোকনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এস দব্লিউ সিনা ৱাই পি এফবু গোল ১-০ দা থোয়খ্রে। মায় পাকপগী গোল অদু এল থোইবনা মিনিট ১৭ দা চনখি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*